গ্রেনেদ থম্লম্বদগী...

লামায় ১গী মখা... য়াওদনা লৌথোকখি। চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অদু পিনদি শৎত্রি। অদুবু দিটোনেটরদি য়াওরমদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু কনানা চথরম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ককচিংতাবম সিবকুমার সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসন (সী ঈ ৱাই ও) গী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নার্কোটিক সেলগী ও সী দেবকুমারগী দ্রাইভরনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মখা তানা অসিগুম্বা মীয়ামদা অকি অখং পীবা বোম থম্লম্বগী থবক অসি তৌবিগনু বোম অদু কনানা করিগীদমক থমজিল্লম্বনো হায়বদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেংদোকপীরক্ল বা হায়জবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিদনসু মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.315900
US Dollar	74.696698
British Pound	102.694271
Australian Dollar	55.753519
Chinese Yuan Renminbi	11.529488
Japanese Yen	0.670297
Malaysian Ringgit	17.938986
Singapore Dollar	55.304610
South Korean Won	0.065726
Saudi Arabian Riyal	19.919119
Thai Baht	2.319945

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47357.00
Mumbai	–	Rs	47550.00
Delhi	–	Rs	47356.00
Kolkata	–	Rs	47720.00

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 03/06/21
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO 23-05-2021
VALID FROM 19-05-2021
STK 306
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 03-07-2021
CONTACT NO -7005695308, 6009772483
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 07/04/21
Valid from 03/04/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
KHUMBONG INDANE
Booking upto 25-05-21
Valid from 19-05-21
Only home delivery within 3 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621, 9612023095
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 09-06-21
B/upto - 12-06-21
Stock 306
7am to 10am
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 05/05/2021
BOOKING UPTO: 06/05/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)
MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 08/06/2021
Valid from : 19/05/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449/9366468676
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00NOON
BOOKING : 20.06.21
VALID : 10.06.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156(SMS/ WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,9089370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5DAYS

কাংপোকপীদা হায়ৱে থিংলুরে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): নেসনল হয়েৱে নম্বর ২ পাকথোকপগী লম্বী নৌনা কল্লকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়াদা লমগী কম্পেনসেসন হান্না পীদ্রগদি চীং ককপা য়ারোই হায়দুনা ঙসি হায়ৱে থিংলুরে।

ঙসি অয়ুক পুং ৫ তাবদগী হৌরগা কাংপোকপীদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা লৈঙাক্লা হায়ৱে পাকথোরকপা মতমদা ৱেলকম তৌই অদুবু লম্বী পাকথোকপদা শোক্লকপা লমগী কম্পেনসেসন হান্না পীদ্রবদি চীং ককপা য়ারোই হায়দুনা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা হায়ৱেদা বেঞ্চ থমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

আর কে নিমাইগী গেটতা প্রোটেষ্ট ...

লামায় ১গী মখা... কে নিমাইনা ইম্ফাল ফ্রী প্রেসতা আর্টিকল ওইনা অনীরক ফোঙলকখিবা অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। শকখঙদবশিং অদুনা লাউখিবা খোল্লাউশিং অদুদি কংলা শাগী কবাক লৌথোকপদা য়েৎপা য়ানিংদে, মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা আর কে নিমাই য়ানিংদে, মীতৈশিংগী মায়োক্তা লৈবা য়ানিংদে হায়বা স্লোগানশিং লাউখি। মতুংদা মহাক্না ইম্ফাল ফ্রী প্রেসতা ফোঙখিবা আর্টিকল য়াওবা পাউ চে খরা মৈ থাদোকখি।

ওনলাইন লোক অদালট পাঙথোক্কনি...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোক্লগনি হায়না দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিস্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্ট সোমোরজিৎ য়েংখোমনা নোটিশ অমা থোকখ্রে।

নোটিশ অসিগী মতুংইন্না নুমিৎ অসিগী পুং ১০ তারকপদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন লোক অদালট অসিগী খুদোংচাবশিং ফংহৌনবগীদমক লম, শেল অমসুং ফেমিলি মেটরনচিংবগা মরী লৈনবা দিসপ্যুট নৎত্রগা কোর্টশিংদা লৈরিবা পেন্দিং কেস, প্রী-লিটিগেটিভ ষ্টেজ দা লৈবশিংবু সবমিট তৌরক্লবা খঙহল্লি। হায়রিবা কেস/দিসপ্যুটশিং অসি পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিনা লিগেল বাইন্দিং সেট্টলমেন্ট অমা পুরক্লবগীদমক লিষ্ট তৌগনি। মসিগীদমক মসলসা নৎত্রগা দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা থেংলবদা জুলাই ৬, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়রি। কন্টেক্ট নম্বরশিংনা মসলসাগী ওইনা মোবাইল নম্বর ৯৪৩৬২৩৯৬৬৯, ৯৪৩৬২৩৯৬৬৬ (ঈমেল-maslsa.imphal@gmail.com) দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্ট- মোবাইল নম্বর ৮৭৯৪৩৫৭১৯২, ৯৬১২৫৫০২০২ (ঈমেল- dlsaimphalwest@gmail.com) অমসুং দি এল এস এ ফ্রন্ট ওফিসকী হেল্প লাইন নম্বর ৬০০৯৯০৪৯৬৭নি হায়রি।

ঈশিং চিংনবা পম্প ৪, দিজল লিটর ৫০০ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):

লাক্কদৌরিবা মথংগী মীখলদা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমসু ওইরিবা সোসল এক্টিভিষ্ট সেরাম নেকেননা হোর্স পৱার ৫গী ঈশিং চিংনবা পম্প ৪ অমসুং পম্পশিং অসিনা শীজিন্নগদবা দিজল লিটর ৫০০ পীখ্রে হায়রি।

ৱাটর পম্পশিং অসিনা উচেক্কোন অমসুং বাসিখোংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লৌমীশিংদা লৌবুক্তা ঈশিং চিংশিন্নবগীদমক পীখিবনি। অদুগা দিজল লিটর ৫০০ অসিনা উচেক্কোন নোংপোক, উচেক্কোন নোংচুপ অমসুং বাসিখোং কোংবা ইরোংগী লৌবুকশিংদা ঈশিং চিংশিনবদা শীজিন্নবা পীখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ৱাটর পম্প অমসুং দিজল পীখিবসিগী মমাঙদসু মহাক্না নিঙোমথোং কিত্নাপনুং অমসুং বাসিখোং তোৰ্ব্বানগী লৌমীশিংদা হোর্স পৱার অনীগী ঈশিং চিংনবা পম্প অনী হান্নসু পীখ্রে হায়রি।

লোয়ননা ইকং থোকপগুম্বগী ফীভম মায়োক্লরিবা ফীভম অসিদা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লৌমীশিংনা লৌবুকশিংদা ঈশিং পীনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা মতেং পাংবীনবসু অপীল তৌখি।

মণিপুরদা লাঞ্জেল্লকপদগী ফারগা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লকপা ম্যান্মারগী নুপী ...

লামায় ১গী মখা... চৈরকসিদা এপ্রিল ১, ২০২১দা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা প্রিজন্স এক্ট, ১৯৮৪গী মখাদা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ৬/১ (১)/২০২১-হোম (দি সী) গী মতুংইন্না চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদা লৈবা সাদভাবনা মান্দবতা হাংবা সেন্টরবু টেম্পররি প্রিজননি হায়না লাউথোরকখি। লোয়ননা এপ্রিল ৭, ২০২১দা পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা ম্যান্মার নেসনল ২৯ অসি কোর্ট অসিদা অমুক হন্না পুথোরক্তুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবদা কোর্টনা অপূনবা মীওই ২৯গী মনুংদগী অমবুনা চুড়াচান্দপুরগী রমথার ভিলেজ দা লৈবা ওবজার্ভেসন হোমদা জুবেনাইল ওইবদগী থম্লনবা খঙহনখ্রগা লেমহৌরিবা মীওই ২৮না টেম্পররি প্রিজননি হায়খ্রবা সেন্টর অসিদা থম্লকখিবনি হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদা জুবেনাইল ওইখিবা অঙাং অদুসু সী জে এমগী অয়াবা লৌরগা পূন্না সেন্টর অসিদা থম্লকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা হৌখিবা মে থা লোইশিল্লকপা অমসুং জুন থা হৌগৎলকপদা অনা অয়েক য়াওরকখি। জুন ৫দদি মেদিকেল ষ্টাফশিং লাক্তুনা মখোয়গী হকচাংশিং চ্যেক তৌখি। মতমদুদা মখোয়গী মনুংদা ৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। অদুগা হেন্না সেরিয়স ওইবা মীওই অনীনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কোভিদ আইসোলেসন ৱার্দতা থমখি। অদুবু মমাঙ থাগী ৬তা মশাগী চহী ৪৬ লোম শুরবা মা মাইন্ট অপোকপা উশান কৌবা নুপী অমা লৈখিদে। অদুগা অতোপ্পা মুখাই অপোকপা নিতা কৌবী মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবী নুপী অমসু জুন ৮দা লৈখিদে হায়রি।

লোয়ননা টেম্পররি প্রিজন ওন্থোকখ্রবা সেন্টর অসিদা থম্লক্লিবা ম্যান্মার নেসনলশিং অসি লন্নাই মীওই নৎত্রগা লূপশিংনা তেংবাঙ পীরবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খক্তমক চাদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

সেন্টর অসিদা থম্লকখিবা অতোপ্পা ম্যান্মারগী মীওই ১৩সু পোজিটিভ ওইরকখিবগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর গভর্ণমেন্ট কোলেজদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থমখি। অদুগা নেগেটিভ ওইরক্লবা মতুংদা অমুক হন্না সেন্টর অসিদা থমখিবসু ঙরাং পাঙথোকখিবা ঐচ আর এগী ইনক্বারিনা থেংনরকখি হায়রি। মরম অসিনা ঐচ আর এগী মায়কৈদগী এম ঐচ আর সীদা ম্যান্মার নেসনলশিং অসিদা প্রিজন/দিজিগনেটেদ প্রিজন অমদা পীফম থোকপা মেদিকেল এটেন্সনগা লোয়ননা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং পীহন্নবা অমসুং লৈখিদ্রবা নুপী অনীগী ইমুংদা লুপা লাখ ২০/২০গী শেনফম ইন্টরিম কম্পেন্সেসন ওইনা পীহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্তা রেক্কমেন্দ তৌবীনবা হায়রি। লোয়ননা লৈখিদবা নুপী অনীগী থৌদোকসিগী মতাংদা মেজিষ্টরিএল ইনক্বারি তৌবীবগা লোয়ননা এন ঐচ আর সীগী সেক্রেটরিদা পীফম থোকপা রিপোর্ট পীবিনবসু হায়জখি।

মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... ত্রিপুরাগীনা প্রোফেসর ডা. আর এন সিনহা, কেরলাগীনা আর ও ঐচ এফ দল্লিয়ুগী পব্লিক হেল্থ স্পেসিএলিষ্ট-গ্রেদ টু ডা. রুচি জ্যেন অমসুং ওদিষাগীনা এ আই আই ঐচ এন্দ টি ঐচকী পব্লিক হেল্থ স্পেসিএলিষ্ট ডা. এ দাননা লুচিংলগা ছটিশগরগীনা এইমস, রাইপুরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. দিবাকর শাহুনা লুচিংগনি হায়রি।

সেন্ত্রেল টিমশিং অসিনা ষ্টেটশিং অসিনা পেন্দমিক অসিগীদমক্তা পায়খৎলিবা মেনেজমেন্টকী টার্গেট য়ৌহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা লায়না অসিবু মায় পাক্না লাকশিনবদা মতেং পাংগনি হায়রি।

হায় লেভেল টিমশিং অসিদা ক্লিনিসিয়ন অমগা পব্লিক হেল্থ এক্সপার্ট অমমমগা য়াওগনি। টিমশিং অসিনা পন্থদনা মখোয়দা এসাইন তৌরিবা ষ্টেটশিং অসিদা চৎপগা লোয়ননা মফমশিং অদুদা পায়খৎলিবা কোভিদ-১৯ মেনেজ মেন্ট মরু ওইনা মসিগী টেষ্টিং, সর্ভিলেন্স অমসুং ওপরেসনশিং, কোভিদ এপ্রোপিএট বিহেবিয়র অমসুং মসিবু চৎনহনবা, হোস্পিটালগী ফমুংশিং ফংহনবা, এম্ব্যুলেন্সশিংগী খুদোংচাবা পীবা, ভেন্টিলেটরশিং অমদি মেদিকেল ওক্সিজেনশিং ফংহনবগী থবক থৌরমশিং মোনিটর তৌগনি হায়রি।

টিমশিং অসিনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রেসসু মোনিটর তৌবগা লোয়ননা ষ্টেটশিং অসিনা মায়োক্লরিবা ফীভমশিং অদুগী মতাংদা হেন্না ফগৎহন্নবা থবকশিং পায়খৎনবগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্কনি হায়রি।

রিমসতা অশাবা ওর্দরনা থবক চঙনবা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা দল্লিয়ু বোইদা ময়েংবম প্রেমকুমার অমসুং জিতেন কৌবা মীওই অনীনা শেম শাদুনা পীরম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা রিমসকী এদমিষ্ট্রেটিভ ওফিসর এ শান্তিনা ৱাকৎলকপদগী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনননা কেস এফ আই আর নম্বর ৮৯ (৬) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৪৬৮/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীওই অহুম অসি ফাগৎখিবনি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা মখোয়বু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক ঙসি মখোয় অহুমগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টতা পুথোরকখিবনি। মখোয় অহুম্বু কোর্টতা পুথোরকখিবদা দল্লিয়ু বোই, এ রাজো অমসুং ঐচ গৌরচন্দ্রগী মায়কৈদা কাউন্সেল খুরাইজম কান্ত অমসুং অজমল হুসেননা লেপখি। কাউন্সেলশিং অসিনা পুলিসকী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা মখোয় অহুম্বু বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখি।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিগী এ পি পি এম যমুনাগী মায়কৈদগী কোর্টতা তৌরকখিবা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা দল্লিয়ু বোইবুনা মথং থাগী ১৬ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবগালোয়ননা এ রাজো অমসুং ঐচ গৌরচন্দ্রবুনা বেল পীখিবনি।

দেলটা ভেরিএন্টকী অনৌবা কেস ৬৯ ...

লামায় ১গী মখা... থেংনখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ১০৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২১২, থৌবাল ৭৩, বিষ্ণুপুর ১০১, ককচীং ৫৩, উখ্রুল ৪, চুড়াচান্দপুর ৬০, চান্দেল ১২, সেনাপতি ৭, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ৫, কামজোং ১, ফেরজোল ৯, জিরিবাম ১, নোনে ২ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৬নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ১৩ লৈখিদ্রে হায়রি। মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৫, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, থৌবাল ২, বিষ্ণুপুর ১, ককচীং ১ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মখোয়না লৈখিদবা মফমশিংনা রিমসতা ৪, জেনিমস ৪, রাজ মেদিসিটি ২ অমসুং শিজ হোস্পিটালদা ৩নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ১১৭৫শুরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬০৩নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২৮৭, রিমস ১৬, জেনিমস ১০, সী সী সীশিংদগী ১৩৯ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ১৫১নি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৬৫৬ অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৭০,৯৫৪শুরে। লায়না অসিদগী ফগৎলকপা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৩,৮০৯শুরে। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৫,৯৭০ লৈরি হায়রি।

লোয়ননা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৮৯.৯৩দা লৈরি। লোয়ননা ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৬,৮২,১১০ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা ফর্ষ্ট দোজ কাপখিবশিংনা ৫,৯৭,৪৭৯নি অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৪,৬৩১নি হায়রি।

রেগ্যুলর ভি সী হাপ্পীয়ু : মহৈরোয় লূপ তরুক

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী ওইবা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অনী- মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী রেগ্যুলর ভাইস চান্সেল্লর হাপখিবগীদমক আর্টস এন্দ কলচর লোয়শঙগী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অনীবু মহৈরোয়শিংগী লূপশিং - এইমস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমদি সুক্কী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা ভি সী অনী হাপখিবা অসি য়ুনিভর্সিটি অনীসিদা অচৌবা অহোংবা চাওখৎপা পুরক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি মহৈরোয় লূপশিং অসিগী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা ভি সী প্রোফেসর লাইফ্রাকপম তোম্বীনা মহাক্কী মতম শুদুনা ওক্টোবর ২৫, ২০২০দা পোথাখ্রবসু হৌজিক ফাওবা অনৌবা রেগ্যুলর ভি সী অমা হাপ্লবগী মমি তাদ্রি। য়ুনিভর্সিটি অসি লিংখৎলকপা মতমদা মণিপুর মীয়াম মরু ওইনা মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অচৌবা থাজবা থমদুনা টেক্নোলোজিগী লম্দা অনৌবা মায়ওন অমা লাক্লগনি হায়না খন্নখি। অদুবু চহী মঙা ফারক্লবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেগ্যুলর ভি সী লৈতবতা নত্তনা মশাগী লম লৈজদ্রি। লোয়ননা তোঙান তোঙান্না অৱাৎ অপা অমসু মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লদুনা লৈরি।

চৈরক অসিদা মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এক্তকী ৱাংমদা লৈরিবা মীওইদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী চার্জ ষ্টোপ গেপ এরেঞ্জমেন্ট ওইনা হাপ্পীদনবা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী অপীল তৌরক্লি।

মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নদুনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা প্রো-এক্টিভ ওইনা থবক তৌবীরিবা মণিপুরগী লৈঙাক অসিনা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেগ্যুলর ভি সী হাপ্পীখিবগুম মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী রেগ্যুলর ভি সী থা তরুক্কী মনুংদা হাপ্পীনবা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লকপগা লোয়ননা থাজবসু থল্লি হায়রি।

ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্তা ‘অকোয়মার্ট’ কী এপ হাংদোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মীওইবা হায়বসি চাদবা য়াদবা অমদি অঙাংশিংগী লাইরিক তমদবা য়াদবনিনা ফংনবা হোৎনবদা অমুক্কা হেন্না অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হায়বদু ওইহল্লি। য়ূমথোঙ খুদিংদা পোৎ চৈ ফংহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্ট অসিদা ঙাক্তা ইন্থোক্তুনা থম্বা চুমলোই। কোভিদ লাকশিনবগী থবক অসি গভর্ণমেন্ট খক্তদা তাইনদুনা থম্বা য়াদবনিনা সোসল ৱার্কর, ওর্গনাইজেসন ময়াম অমদি লূপশিংনা মানা-মানা অঙম্বা মতেং পাংশিনবগী মথক্তা বিজিনেস কম্যুনিতিগী মায়কৈদগীসু মতেং তৌনীংঙাই য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা অকোয়মার্টনা ওনলাইনগী পাম্বে শীজিন্নদুনা মীয়ামদা লাইরিক লাইশু অমদি চানবা চিঞ্জাকশিং অমদি থক্ল-চানবা ঈশিং ফংহন্নবা প্লেটফোর্ম অমা পুথোরক্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি অমদি থাগৎনীংঙাইনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অকোয়মার্টকী প্রোপ্রাইটর অকোয়জম সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা অকোয়মার্ট প্লেটফোর্ম অসি কোভিদ পেন্দমিক অসিদা চঙদবা য়াদবা পোৎ চৈশিং লৈঙাক্লা মীয়ামদা য়ূমদগী মপান-ইপান থোকহন্দনা ফংহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংশিন্নবা হায়দুনা হৌদোকপনি। হৌজিক্কী ওইনদি চাননবা পোৎ চৈশিং, থক্লনবা ঈশিং অমদি মহৈ মশীন তম্নবা লাইরিকশিং অসিনা অহানবগী ওইনা লোঞ্চ তৌরিবা এপ অসিদা নৎত্রগা টেলিফোন্দা ওর্দর লৌবা হৌরে। ওর্দর তৌবীরক্লিবা মথৌ তাবা পোৎ মখলশিং অসি য়ূম য়ূমদা থিল্লকপগী খুদোংচাবসু পীবা হৌরে। কনাগুম্বা মীওই অমনা লাইরিক অমা লৈবা চৎপা মতমদা দুকান খুদিংমক্তা চঙদুনা কোয়থি থিনবগী অৱাবা অমদি মতম মাঙবা হায়বদু লৈররোই। লোয়ননা অকোয়মার্টনা ইরায় লায়না য়ূম-য়ূমদা য়ৌহল্লক্লগনি। মখা তানা অকোয়মার্টকী তুংগী ওইবা প্লান্দা ঐখোয়গী লমগী পোথোকশিং অসিবু নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়াগী কৈথেলশিংদা পুথোকপগা লোয়ননা মরু ওইবা মালেমগী মফমশিংদা অমুক য়ৌখিনবা থৌরাংসু পায়খৎকনি হায়খি।

জেনিমসকী অনৌবা দিরেক্টর খন্নবগী পাঙথোকখিবা সেলেক্সন...

লামায় ১গী মখা... চৈরকসিদা অচৌবা লায়েংশঙ অমা ওইবগী মথক্তা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা জেনিমসকী দিরেক্টরগী ফম অসিবু শিননবগীদমক কৌখিবা এপ্লিকেসনশিংগী মখা তারকপদা ফম অসিবু পুহন্নবা মতিক চাবা এপ্লিকান্টশিং খন্নবগী সেলেক্সন কম্মিটিনা স্ক্রিনিং তৌনবগী মীটিং নোটিশ অমা জুন ২৯, ২০২১দা থোকখি। মীটিং নোটিশ অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) সোমিনলিয়ন লেঙেননা থোকখিবনি।

নোটিশ অদুগী মতুংইন্না জেনিমসকী দিরেক্টরগী পোষ্টতা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক এপ্লাই তৌরকপা এপ্লিকান্টশিং স্ক্রিনিং তৌনবগী সেলেক্সন কম্মিটিগী মীটিং জুন ৩০গী নুংথিল পুং ২দা চীফ সেক্রেটরিগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোক্কনি হায়খি।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ এফ দল্লিয়ু) গী নোটিশ অসিগী মতুংইন্না সেলেক্সন কম্মিটিগী মীটিং অদু পাঙথোককখি। মদুদা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ এফ দল্লিয়ু), ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর, রিমসকী দিরেক্টর অমসুং হেল্থ সর্ভিসেস, মণিপুরগী দিরেক্টরনচিংবনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা সেলেক্সন কম্মিটিনা স্ক্রিনিং তৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা জেনিমসকী দিরেক্টরগী ফমগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবা অপূনবা এপ্লিকান্টশিংগী মনুংদগী এপ্লিকান্ট খরদি মশাদা মীটিং নোটিশ পীবগা লোয়ননা টেলিফোন তৌদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রবা ফাওবদা শরুক য়াবা লাকখিদে। অদুম ওইনমক রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) লোমদগী থবক্তগী পোথারবা ডাক্টর খরা য়াওনা এপ্লিকান্ট খরদি শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা নুপী ডাক্টর খরসু য়াওখি।

লোয়ননা সেলেক্সন কম্মিটিদা য়াওখিবা ওফিসলশিংনা স্ক্রিনিং তৌখিবা অদুদা শরুক য়ারখিবা এপ্লিকান্ট খরগী ‘এন্যুএল কনফিদেন্সিএল রেকোর্দ’ (এ সী আর) নচিংবা কূপ্না এগজামিন তৌখি। অদুবু খ্বাইদগী ঙকপা থৌদোক অমদা জুন ৩০, ২০২১দা থা ৬কী এনগেজমেন্ট তৌরকপগী মতম লোইদ্রিঙৈগী মমাঙ জুন ২৯দা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর ওইরমখিবা প্রোফেসর কে ঐচ ভিমোনা পাঙথোকখ্রিবা সেলেক্সন কম্মিটিগী স্ক্রিনিং অদুগী মাঙওইননা মদুদা শরুক য়াখিবা হান্নসু ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর ওইনা পুহল্লম্লবা ডা. লাইশ্রম দেবেনগী মতাংদা অইবা রিপোর্ট অমা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা পীশিল্লমখি হায়রি।

প্রোফেসর কে ঐচ ভিমোগী চেরোল অদুদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা পল্লিবশিংদি প্রোফেসর এল উষারানি য়াওনা নুপী প্রোফেসর অনীনা দিসেম্বর ২৪, ২০১৪দা সবমিট তৌরকখিবা এপ্লিকেসনগী মতুংইন্না জেনিমসকী মায়কৈদগী মে ১৮, ২০১৮দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ০১/৫৯২/সী ও এম . প্রোফেসর/জেনিমস/১৭কী মতুংইন্না ইনক্বারি তৌনবা খঙহনখি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না পাঙথোকখিবা ইনক্বারিগী রিপোর্টনা জুলাই ১৬, ২০১৮দা মদুগী ফাইন্দিংশিংগা লোয়ননা সবমিট তৌরকখি হায়রি।

ইনক্বারি রিপোর্ট অদুগী মতাংদা পল্লদুনা প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়বদা, ডা. এল দেবেনবু টি এস পি/রেগ্যুলরগী মখাদা রিমসকী দেমোন্সত্রেটর ফিসিওলোজিদগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবগী মতাংদদি ইনক্বারি অদুনা এগজামিন তৌদ্রে অমসুং ক্লারিফিকেসন পীদ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী ফ্যুচর প্রমোসন্দদি এগজামিন তৌবগী মথৌ তারি হায়খি।

লোয়ননা জেনিমসকী ফিসিওলোজিবু প্রোফেসরগী পোষ্টতা প্রমোসন/এপোইন্টমেন্ট পীবগী থবক অসিদি ইন্সটিট্যুট অসিগী ফেব্রুৱারী ১৯, ২০১৬তা পাঙথোকখিবা ২১শুবা গভর্নিং কাউন্সিলনা এজেন্দা নম্বর ১০গা মরী লৈননা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না পাঙথোকপা স্পেসল দি পি সীগী রেক্কমেন্দেসনগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদবনি। অদুবু ডা. এল দেবেনবু ফিসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইনা রেগ্যুলর বেসিসতা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অসিদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী এপ্রুভেল অমত্তা য়াওদবদা নত্তনা স্পেসল দি পি সী অমগী রেক্কমেন্দেসন য়াওদনা মহাক মশানা খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না পীখিবনি হায়রি। মরম অসিনা মহাকপু রেগ্যুলর প্রোফেসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অসিসু মখা তানা স্ক্রুটিনি তৌবগী মথৌ তারি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ডা. এল দেবেনবু ফেব্রুৱারী ৭, ২০১২দগী ইফেক্ট তৌদুনা জেনিমসকী ফিসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবগী ওক্টোবর ১২, ২০১৫দা থোকখিবা ওর্দর (নম্বর ০১/২৯৮/আর এফ এম/জেনিমস/২০১৫ অদুসু মহাক মশামক্না জেনিমসকী দিরেক্টর ওইরিঙৈদা খূৎয়েক পীরমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ৩০দা পাঙথোকখিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরগী ফমদা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক এপ্লিকান্টশিং স্ক্রিনিং তৌবগী সেলেক্সন কম্মিটিনা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা শরুক য়াখিদবা সিনিয়র প্রোফেসর অমনা ফোঙদোরকখিবদা সেলেক্সন কম্মিটিগী মীটিং অদুনা এপ্লিকান্টশিংগী ক্বালিফিকেসন, সর্ভিস রেকোর্দ অমসুং এ সী আরনচিংবদা য়ূম্ফম ওইরগা সেলেক্সনগী থবক পাঙথোক্কনি হায়বা থাজদবদগী ফম অদুগীদমক এপ্লাই তৌরুরবসু থৌওইনা শরুক য়াখিদবনি হায়রকখি।

অমরোমদনা সেলেক্সন কম্মিটিগী স্ক্রিনিং অদুদা শরুক য়াখিবা ডাক্টর অমনদি ইন্সটিট্যুট অসিগী হৌজিক দিরেক্টরগী ফম হাঙদুনা লৈরক্লিবা অসি মতম শাংনা হাঙহন্দুনা থম্বা য়াদবনিনা পাঙথোকখ্রিবা স্ক্রিনিং অদুগী রিজল্ট থেংলবদা নুমিৎ ৫/৬নিগী মনুংদদি লাউথোরকপা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টরগী থবক থৌরমশিং কনানা পাঙথোক্লিবগে হায়দুনা স্ক্রিনিং অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ডাক্টর অমদা হংখিবদনা প্রোফেসর টি ঐচ ভিমোসু জুন ৩০, ২০২১গী মতুংদগী লাকখিদ্রে। দিরেক্টরগী ফম অসিগী চার্জ অতোপ্পা অমদা পীরকপসু থেংনদ্রি। মরক মরক্তা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) লাকপদি উই হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে...

লামায় ১গী মখা...

লাইফ সেভর্স, মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি মমাঙ থাগী ৩০দসু ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দেগা মরী লৈননা জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি রিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখিবা অসিনা মশামক ১৫রক ব্লদ দোনেসন তৌখ্রবা হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দগী নিংথৌজম ওর্মিলাগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়রি।

ঙসিগী কেম্প অসিদা ৭৯-দি এম সী-সাইন্স ষ্টালৱর্ট (ইম্ফাল ইষ্ট) কী সেক্রেটরি এ কে সরতসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ইচং থৌনা পেন্দমিক অসিবু কিদনা পুকচেল চাওনা কৎথোকপগা লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/7016/2-31july

HIV IS TRANSMITTED THROUGH

Unprotected sex with an HIV infected person.

Sharing of HIV infected needles & syringes.

From HIV infected mother to her baby.

Transfusion of HIV infected blood or blood products.

Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN

CRASH COURSE 2021

For NEET (Medical) Aspirants

Admission form & Prospectus is available Online

- Last Date of Admission : 6th July., 2021
- Class commencement from : 8th July., 2021

For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in

Special Features

- Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
- Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
- Study Materials will be provided.

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
- Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

FIRST COME FIRST SERVE

HL-B/7014/1,2,3,4